# ভি ভি আই পি চোপ্পর কেসতা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা এজেন্ট সুসেন গুপ্তা ফাখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৬ (এজেন্সী)ঃ
লুপা ক্রোর ৩,৬০০ চেন্নবা ভি ভি আই পি চোপ্পর দিলগী কেসতা লৈবাক অসিগী এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা দিফেন্স এজেন্টনি হায়বা মীওই অমা দিল্লিদগী ফারে হায়না ঙসি ওফিসল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসল ওইবা পাউ অসিনা মখা তারদুনা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটকী মীওইশিংনা প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্ট (পি এম এল এ) গী মখাদা সুসেন মোহন গুপ্তবু ঙরাং অথেংবদা ফাখিবনি হায়রি।

ওফিসলশিং অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, সুসেন গুপ্তা অসি দিফেন্স দিলশিং তৌবা মীওই অমনি। ওগস্টা ৱেষ্টলেন্দ কম্পেনিনা শাবা ভি ভি আই পি হেলিকোপ্টর দিলগী কেস অদুদসু মহাক চেন্নে হায়না ফাখি।

নীংশিংবা য়াই, কেস অসিগী মতাংদা মিদল মেন ওইরিবা বৃটিশ মচা হৌজিক হৌজিক জেলদা লৈরিবা খৃষ্টিয়ান মাইকেল অমদি অতোপ্পা চেন্নবা মীওই লোয়র গৌতম খৈতান এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা মাঙজৌননা ফাগৎপা ঙমখ্রবনি।

ঈ দিগী ওফিসলশিং অসিনা গুপ্তগী মতাংদা ফোঙদোরকখিবদা, হন্দক্তা য়ু এ ঈদগী পুরকখ্রবা অদুগা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা ফারবা রজিব সক্সেনানা ফোঙদোরকপদগী সুসেন মোহন গুপ্তা চেন্নে হায়বা খঙলকপনি। ভি ভি আই পি হেলিকোপ্টরশিং অদু লৈবগী মতাংদা শেল পীবগী অকুপ্পা দোক্যুমেন্ট খরা মঙোন্দা লৈবা হায়বা ঈ দিগী ওফিসলশিংনা চিংনরি। অদুম্মক ঈ দিগী মায়কৈদ্দগী অশেংবা অচুম্বা মরোল অদু খঙদোক্লবা হোৎনগদৌরি।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০১৪ গী জন্যুৱারী ১ দা ইন্দিয়ানা বৃটিশকী সবসিদরি এজেন্ট ওইরিবা ওগস্টা ৱেষ্টলেন্দগী ফিন্মেকানিকাবু ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সতা ভি ভি আই হেলিকোপ্টর এ দব্লিয়ু-১০১ মশিং ১২ লৈবগী য়ানখিবা কন্ট্রেক্ট অদু ককথৎখিবনি। খোঙথাং অদু ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সতা কম্পেনি অদুনা মমাঙদা য়ানখিবা হিরম খরা থবক ওইনা পায়খৎলকখিদবনি। য়ানবা অদু শোয়দনবা লুপা ক্রোর ৪২৩ পীনা-লৌনবগী মতাং অদু মরক্তা চয়েৎনবা লাকখি।

সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন অমসুং এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা তোঙান তোঙানবা কেস থাঙ্গৎতুনা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী লুচিংবা এস পি ট্যাগিগী ময়ুমদা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সনা থিগৎহন্নিংবগী মথৌদাং অদু পনখি।

সী বি আইনা ওগস্টা ৱেষ্টলেন্দ চোপ্পর দিল কেস অসিদা অহেনবা খুদোংচাবা অমা ওইনা ঙরাং রজিব সক্সেনাবু এপ্রুভর ওইনা অয়াবা পীখি। মশামক্তা লুপা ক্রোর ৩,৬০০ কী শেনফম চেন্নবা কেস অদুদা মহাক মশামক এপ্রুভর ওইগে হায়না মহাক্কী কোর্টকী প্রোসিদিং খুদিংমক্তা য়াখিবগা লোয়ননা কোর্টতা লৈখিবা প্রোসিদিং অদুদা মহাক্তা ফোঙদোকখিবা ৱারোল খুদিংমক রেকোর্দ তৌখি। এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা দিল্লি পটিয়ালা হাউস কোর্টতা ফোঙদোকখিবদা, রজিব সক্সেনানা ওগস্টা ৱেষ্টলেন্দ চোপ্পর দিল অসি লোইশিন্নবা অমসুং মরাল লৈরবা মীওইশিং অদুবু মতিক চাবা পারা তন্বীবা মথৌ তাই হায়খি।

# রাষ্ট্রিয়া লোক দলগী লুচিংবা অজিৎ সিংহনা লুপা ক্রোর ১৬.৬১ মশাগী শেনফম লাউথোকখ্রে



মুজাফরনগর, মার্চ ২৬ (এজেন্সী)ঃ
উত্তর প্রদেশকী মমিং লৈরবা পোলিটিসিয়ন রাষ্ট্রিয়া লোক দলগী লুচিংবা অজিৎ সিংহনা মশাগী লনথুম চাউরাক্লা লুপা ক্রোর ১৬.৬১ লৈ হায়না মুজাফরনগর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিদা লোক সভা মীখল শরুক য়ানবগী নোমিনেসন ফাইল তৌখিবগা লোয়ননা লেঙবা য়াদবা অমসুং য়াব লনগী মমল অদু মীয়ামদা লাউথোরকপনি।

ঙরাং সমাজৱাদি পার্টি (এস পি)-বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি) অমসুং রাষ্ট্রিয়া লোক দল (আর এল দি) পার্টিগী অপূনবা চুংশিন্নবগী খোঙথাং অদুদা উত্তর প্রদেশকী নোংচুপথংবা মফমদা লৈরিবা মুজাফরনগর কনষ্টিট্যুএন্সিদগী মীরেপ চে ফাইল তৌখিবনি।

উত্তর প্রদেশতা বি জে পিবু মায়থীবা পীননবা মহাগথবন্ধন হায়না খঙনবা ওপোজিসন পার্টিশিংগী অপূনবা খোঙজং অমা য়ানবদগী কোংগ্রেস ফাওবা য়াওরম্বনি। অদুবু মীখল মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা কোংগ্রেস পার্টি নত্তনা মরুওইবা পার্টি অহুম এস পি-বি এস পি-আর এল দিনা চুংশিন্নখিবনি।

মুজাফর নগর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সি অদুদা লোক সভা মীখল অদু এপ্রিল ১১ দা পাঙথোক্কদৌরি। মমাঙদা ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টরসু ওইরম্লবা অজিৎ সিংহনা মুজাফরনগর লোক সভা কনষ্টিট্যুএন্সি অদুদা পুন্না মীরেপ ২২ থোরকপগী মনুংদা খ্বাইদগী শেল পায়বা মীরেপ ওইরি। মহাক্লা লেঙবা য়াবা লন ওইনা লুপা ১,৫১,৮৮,৯৩৬ লৈ হায়না লাউথোকখি। অদুগা লেঙবা য়াদবা লন ওইনা লুপা ১৫,০৯,৩৬,৬৬৬ লৈ হায়না নোমিনেসন ফাইল তৌবা অদুদা পীখিবা এফিদিবিটতা য়াওখি।

অজিৎ সিংহনা শীজিন্নবা গাড়ী অমত্তা লৈতে লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা ক্রিমিনেলগী কেস অমত্তসু লৈতে হায়না এফিদিবিট অসিদা য়াওরি। মরক অসিদা, মুজাফরনগরদা লৈবা ন্যু মন্দি পুলিস ষ্টেসন ময়াদা ঙরাং নুমীদাংৱাইরম গাড়ী অমদগী লুপা লাখ ৫ শেল ওইনা ফাগৎপা ঙমখি হয়রি। লোয়ননা মফম অদুদা লোক সভা মীখল নকশিল্লকপগা লোয়ননা পুলিসনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী চাংসু হেনগৎখ্রে হায়রি।

মুজাফরনগর লোক সভা কনষ্টিট্যুএন্সি অসিদা বি জে পিগী মায়কৈদগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর হান্না ওইরম্বা অদুগা হৌজিক হৌজিক কনষ্টিট্যুএন্সি অসিগী সিটিং এম পি ওইরিবা সঞ্জিব বলয়ানা মীরেপ ওইগদৌরি। কোংগ্রেস পার্টিগী ওইনদি কনষ্টিট্যুএন্সি অসিদগী মীরেপ পুথোক্তে। মসিনা তাকপদি মখোয়সু মমাঙদা লেপ্নখিবা মহাগথবন্ধনগী ৱাফম অদু ঙাক্লা চৎপগী মমি অমদি তারি।

সিবপাল যাদবকী প্রগতিসিল সমাজৱাদি পার্টি-লোহিয়া (পি এস পি-এল) না মুজাফরনগর কনষ্টিট্যুএন্সিদগী ওন্বির সিংহবু মীরেপ ওইনা পুথোক্কদৌরি। মুজাফরনগর দিষ্ট্রিক্টকী মেজিষ্ট্রেট অজয় শঙ্কর পানেদনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎখিবগা লোয়ননা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টসু নীংথিনা পাঙথোকহনগনি হায়খি।

# কোংগ্রেস পার্টিনা মহারাষ্ট্রাগী ১বা অমসুং অনীশুবগী ফেজগী কেম্প্যেনর লাউথোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৬ (এজেন্সী)ঃ
কোংগ্রেস পার্টিনা সিট ৪৮ লৈবা মহারাষ্ট্রা ষ্টেটকী লোক সভা মীখলগী ভোট খোম্বগীদমক্তা মমিং লৈরবা পোলিটিসিয়ন ৪০ গী মমিং ঙসি লাউথোকখ্রে।

পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী অমসুং মহাক্কী মচলনুপী প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রানা মহারাষ্ট্রাগী মীখল অদুদা পার্টি অসিনা ভোট মশিং হেন্না ফংনবগীদমক ভোট খোম্বগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙশিন্দুনা কোংগ্রেস পার্টিগী মশক মমিং লৈরবা মীওই কয়া য়াওহনগদৌরিবনি।

কোংগ্রেসনা মফম অদুগী ভোটরশিংগা হকথেংননা উনদুনা ভোট মপুং ওইনা খোম্বা ঙমগদবা নেসনল অমসুং ষ্টেটকী কোংগ্রেস লুচিংবশিং কেম্প্যেন অদুদা য়াওহনগদৌরিবনি। কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা কেম্প্যেন অদু লুচিংগদৌরি। লোয়ননা চহী অসিগী জন্যুৱারী থাদা করিয়রগী অহানবা পোলিটিক্সতা য়াওরকপী রাহুল গান্ধীগী মচলনুপী প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রাসু কেম্প্যেন অদুদা শরুক য়াগদৌরিবনি। মহাক হৌজিক হৌজিক ইষ্টর্ন য়ু পিগী কোংগ্রেস পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরিবনি।

অতোপ্পা মমিং লৈরবা মীওইশিং অদুদি, য়ু পি এগী চ্যেরমেন সোনিয়া গান্ধী, হান্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা মনমোহন সিংহ, জ্যোতিরঅদিত্যা সিন্ধিয়া, গুলাম নবি অজাদ অমদি ক্রিকেট শান্নরম্বদগী পোলিটিক্স য়াওরক্লবা মহমদ অঝরউদ্দিননি।

# কোংগ্রেস থিংনবা মহাত্মানা থল্লম্বা ৱাখল্লোন অদুবু ভাইস প্রসিদেন্ট ভেনকয়া নাইদুনা থাগৎখ্রে



মুম্বাই, মার্চ ২৬ (এজেন্সী)ঃ
মীয়াম্না 'ফাদর ওফ দি নেসন' হায়না খঙনরিবা মহাত্মা গান্ধীনা ইন্দিয়ানা ইন্দিপেন্দেন্স ফংলবা মতুং কোংগ্রেস পার্টি অসি লৈহন্দনবা ৱাখল্লোন অমা থল্লম্বা অদু হৌজিক হৌজিক লৈবাক অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা ভেনকয়া নাইদুনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০১৭ তা ভাইস প্রসিদেন্টকী ফম পায়দ্রিঙৈদা ভেনকয়া নাইদু বি জে পিগী মমিং লৈরবা লুচিংবা অমা ওইরকখি। মুম্বাইদা আর বি আইনা প্রমোট তৌবা ইন্দিরা গান্ধী ইনষ্টিট্যুট ওফ দিভলপমেন্টেল রিছার্সকী কনভোকেসন শরুক য়াবদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিগী তোঙান তোঙানবা ফ্লেগশিপ প্রোগ্রামবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্কী ৱারোল অদুদা মহাত্মা গান্ধীগী ভিজন অদুবু ময়েক শেংনা থমখি। মহাত্মা গান্ধীনা ইন্দিপেন্দেন্সকী মতুংদা পাউতাক অনীখক পীখি। অহানবা পাউতাক অদু কোংগ্রেস পার্টি অসি লৈহন্দনবনি। মরমদি পার্টি অদুদা ৱাখল মান্নদবা ময়াম অমা পুনশিল্লগা ইন্দিপেন্দেন্সকীদমক লান্থেংনবনি। ইন্দিপেন্দেন্স ফংলবা মতুংদদি তোঙান তোঙানবা পার্টিশিং লিংখৎলো হায়বা অসিনি।

অতোপ্পা পাউতাক অমনা রুরেল দিভলপমেন্টতা হেন্না পূক্নিং চঙশিনবা খোঙথাংশিং লৌখৎকদবনি হায়বা অসিনি। মিনট ৫০ রোম চুপ্পা পীখিবা স্পিছ অদুদা মহাক্লা হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা লুচিংবা অসিবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মোদি লৈঙাক্লা অহোংবা কয়া পুরক্কুনা হান্না লৈরম্বা ফীভমদগী ফগৎহনবা ঙম্লে হায়খি। মেক ইন ইন্দিয়া, জি এস টি, দিমোনেটাইজেসন, দাইরেক্ট বিনিফিট ট্রান্সফর, জে এ এম ত্রিনিটিগুম্বা খোঙথাং কয়া অসিনা লৈবাক শিনবা থুংনা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্তা হান্না লৈরম্বা ফীভমদগী হেন্না ফগৎহনবা ঙম্লে হায়খি।

# সাম পিত্রোদানা কোংগ্রেস কেম্প্যেন মোনিটরিং কম্মিটিগী থবক থৌরমশিং লুচিংগদৌরি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৬ (এজেন্সী)ঃ
হন্দক্তা চয়েৎনবা লৈখ্রবসু কোংগ্রেস পার্টিনা সাম পিত্রোদাবু লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসিগী কেম্প্যেন মোনিটরিং কম্মিটিগী থবক থৌরমশিং লুচিংনবা খনখ্রে।

কম্মিটি অসিদা য়াওরিবা অতোপ্পা মেম্বরশিং অদুদি, পৱন খিরা, রোহন গুপ্তা, প্রবিন চক্রবতি, প্রিয়াঙ্কা চতুরবেদি, দিববিয়া স্পান্দানা অমসুং মনিস সতরক য়াওরি।

মোনিটরিং কম্মিটিগী টিম অসিনা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকপা পব্লিসিটিশিং মপাঙ্গল কনখৎনবা অমদি অশোয়বা হন্থনবা য়েংশিনগদৌরি।

কম্মিটি অসিনসু কোংগ্রেস পার্টিনা চথবা ভোট খোম্বগী থবক থৌরমশিং অদু য়েংশিনবগা লোয়ননা লুচিংবশিং অদুদা করম্বা কান্নবা পোৎলম কয়া পীশিনগদগে হায়বগী থৌদাংসু লৌগদৌরি।

পাউগী ছোর্সশিংগী মতুংইন্না কোংগ্রেস পার্টিনা মীখল অসিগী মতাংদা এদভর্টাইজিং এজেন্সী অমসু থম্নবা ৱারেপ লৌবা লোইখ্রে হায়রি।

পনবা য়াই, মমাঙ থাগী ১৪ দা জাইস-ঈ-মোহমদ (জে ঈ এম) টেররিষ্টশিংনা পুলৱামাদা চথখিবা এটেক্তা সী আর পি এফ পর্সনেল ৪০ হাৎখিবগী মখা তারকপা ওইনা ইন্দিয়ানা খুৎ হন্দুনা পাকিস্টানগী বলাকোটতা লৈবা জাইস ঈ মোহমদকী টেরর কেম্পশিং এয়র ষ্ট্রাইক তৌদুনা থুগায়খি। সাম পিত্রোদা কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীগী য়াম্না নক্লবা মীওই অমনি। মহাক্লা ওভরশিজ ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী চ্যেরমেন ওইরি। মহাক্লা হন্দক্তা বলাকোটতা চথখিবা এয়র ষ্ট্রাইক অদুদা মীওই মশিং কয়া শিখিবগে হংলুবগী ৱাথোক অমা লৈখ্রবনি।

মহাক্লা মখা তারদুনা মুম্বাই টেরর এটেক্কী মতুংদা ইন্দিয়ানা এয়র ষ্ট্রাইক কয়া চথরম্বা য়াবনি। অদুবু বি জে পিগী মায়কৈদগীদি ফোঙদোকখিবা ৱাফম খুদিংমক য়ানিংদবা উৎলকখি। মখোয়শিংগী মনুংদা অমিট শাহ, অরুন জেটলি অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রবি শঙ্করনি।

# উত্তর প্রদেশতা সমাজৱাদি পার্টিনা নিশদ পার্টি অমসুং অতোপ্পা পার্টি অনীগা খুৎশম্নখ্রে



লক্ষ্নৌ, মার্চ ২৬ (এজেন্সী)ঃ
সমাজৱাদি পার্টিনা ঙসি উত্তর প্রদেশতা নিশদ পার্টি, জনৱাদি পার্টি (সোসলিষ্ট) অমসুং রাষ্ট্রিয়া সমতা দলদা পুন্না মীরেপ থেংনরগনি হায়না পার্টি অসিগী লুচিংবা অখিলেস যাদবনা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

পার্টি অসিনসু ময়াবতিনা লুচিংবা বহুজন সমাজ পার্টি অমসুং অজিৎ সিংহনা লুচিংবা রাষ্ট্রিয়া লোক দলগা পুনশিন্নদুনা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) বু লান্থেংনবা হোৎনরি হায়না সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবা অখিলেস যাদবনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

উত্তর প্রদেশতা পুন্না লোক সভা সিট ৮০ লৈদুনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী খ্বাইদগী সিট মশিং য়াম্বা ষ্টেট ওইরি। যাদবনা মখা তানা পাউগী মীফম অদুদা ফোঙদোকখিবদা, বি জে পিনা ষ্টেট অদুদগী গভর্ণর, লৈঙাক্কী এজেন্সীশিং অমদি মীদিয়া য়াওহল্লগা ভোট খোম্বগী থবক য়াম্না কন্না চথরি হায়না মরাল শীখি।

হন্দক্কী মীখল অসিদা বি জে পিগী খ্বাইদগী চাউনা লৈরিবা ইস্যুদি ওপোজিসন অমসুং চৌকিদারনি। অদুগা পার্টি অসিগী ভোট খোল্লিবশিং অদুনা গভর্ণর অমদি লৈঙাক্কী এজেন্সীশিং অমসুং মীদিয়ানি।

মহাক্কী ৱাফম অসি রাজস্থানগী গভর্ণর কলিয়ান সিংহনা নরেন্দ্র মোদিবু অমুক হন্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইহনবা পাম্মী হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুদনি।

থা অসিগী ২৩ দা রাজস্থানগী গভর্ণর কলিয়ান সিংহনা উত্তর প্রদেশকী সিটি অলিগরদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয় খুদিংমক বি জে পিগী ৱার্করনি ঙাক্তনি। বি জে পিনা মায় পাকপা পাম্মী, মোদিনা অমুক হন্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইহনগদবনি হায়খি। যাদবনা মহাক্কী টিমদি ইস্যুদা বেজ তৌই, অথুবদা মেনিফেষ্টো ফোঙদোক্লগনি হায়রি।

HL-P/6103/27

HL-B/5157/29/1-28/3(Alt.)

MAIPAKPI MATERNITY AND CHILD HOSPITAL
NORTH A.O.C, IMPHAL

WANTED

MMCH/AD-18/D/2019: Interested candidates are requested to submit the relevant documents at HR department on or before 30th March, 2019.

| Sl. No. | Post | No. of Post | Qualifications | Experience | Interview |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Driver | 3 | 10th Passed | Having driving experience in Light Motor Vehicle with valid driving licence. | On spot Interview |

Timing: 9 am to 4 pm

Sd/-HR Manager, MMCH
9971850777

HL-P/6104/27

DELTA Tutorials
Kwakeithel, Imphal

The Largest Trusted Coaching Centre for Sc. & Arts in Manipur

COHSEM & CBSE

Why Delta ?
- Seperate class for CBSE & COHSEM
- Weekly, Monthly & Mega Test Series
- Strictly Monitored & Smart Class Room
- Provide Study Materials & Question analysis

Foundation course for
Class X (CBSE)
Class Starting: 1st April, 2019
Last Date of Admission: 28th March, 2019

Admission Open
for Foundation Course

Class XI & XII
(Sc. & Arts)
Class Starting: 1st April, 2019
Last Date of Admission: 28th March, 2019

Hostel / Van Service Available

TODAY HOUSIE BUMPER DRAW TODAY

In aid of Annual Fund Drive
Org. by: Asem Leikai Development Club
Kakwa Asem Leikai, Imphal West- 795008
Regd. No. 697 of 1966

TICKET RATE
Rs. 1500/-

10-HOUSEFULL
ACTIVA -5G

MINI BUMPER
Ticket Rate
Rs. 300/-
PRIZE
1 Lakh



All Line, Quick 5 & Star are Rs. 4000/-

Venue : Kakwa Vishal Opposite
Date 20 da sanajagani haina touramba Housie bumper draw adu lakliba Date 27 da oina sanajaragani
Ticket Paibikhiba Singna Pung 6 Phaobagi Mamangda Ticket Change Toubiyu

Date & Time
27th March, 2019
(Wednesday) at
5.30 P.M.

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

EMPLOYMENT NOTICE

18th March 2019

Ref No. CC/9E/03/19 :- Applications are invited on prescribed form from willing, hard working and efficient candidates for the following post:-

| Sl.No. | Name of Post | Qualification | Age | No.of Post | Salary |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Accountant | M.Com with Tally Knowledge (preferably with work experience) | Below 35 | 1 | ₹ 18,000/- (Eighteen Thousand) |

Last Date of Submission of Application form :- 04/04/2019

Date of Interview :- 08/04/2019 at 11:00 am

For details plz. contact COMET office, Keishamthong Top Leirak Maning, Airport Road

Sd/- Administrator

HL-B/5291/20,27,29

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

NOTIFICATION

Imphal, the 25th March, 2019

No.2/64/97-HSC(Pt-I): It is hereby, notified for information to all the concerned Associate Professors/Assistant Professors/Senior Lecturers/Lecturers appointed as Head Examiner/Assistant Head Examiner/Examiner of the following subjects of the Higher Secondary Examination, 2019 that a Subject-wise Group Discussion Session on Evaluation of Answer Scripts shall be held on Monday the 1st April, 2019 from 9.00 a.m. to 12.00 noon in the premises of the T.G. Higher Secondary School, Imphal (Group-A)and Council Office at Babupara, Imphal (Group-B).

In the said Group Discussion Session the process for using OMR Sheet as well as an exhaustive discussion on the scoring key of the subjects concerned shall also be discussed. Therefore, all the concerned are requested to participate in the Group Discussion Session and evaluation process in time.

Further, it is also informed to all the concerned that the evaluation process shall be followed just after the Group Discussion Session on the day itself.

GROUP-A
(T.G. HIGHER SECONDARY SCHOOL)

| SL.NO. | SUBJECT | SL.NO. | SUBJECT |
|---|---|---|---|
| 1 | English | 14 | Economics |
| 2 | Alternative English | 15 | Sociology |
| 3 | Manipuri (MIL) | 16 | Geography |
| 4 | Paite (MIL) | 17 | Accountancy |
| 5 | Thadou Kuki (MIL) | 18 | Business Studies |
| 6 | Tangkhul (MIL) | 19 | Physics |
| 7 | Hmar (MIL) | 20 | Chemistry |
| 8 | Zou (MIL) | 21 | Biology |
| 9 | Elective English | 22 | Computer Science |
| 10 | Elective Manipuri | 23 | Home Science |
| 11 | Political Science | 24 | Biotechnology |
| 12 | History | 25 | Anthropology |
| 13 | Education | 26 | Mathematics |

GROUP-B
(COUNCIL OFFICE BUILDING)

| SL.NO. | SUBJECT | SL.NO. | SUBJECT |
|---|---|---|---|
| 1 | Engineering Drawing | 10 | Kom (MIL) |
| 2 | Geology | 11 | Mao La (MIL) |
| 3 | Music | 12 | Mizo (MIL) |
| 4 | Philosophy | 13 | Nepali (MIL) |
| 5 | Physical Health Education & Sports | 14 | Ruangmei (MIL) |
| 6 | Psychology | 15 | Vaiphei (MIL) |
| 7 | Statistics | 16 | Elective Bengali |
| 8 | Bengali (MIL) | 17 | Thang Ta |
| 9 | Hindi (MIL) | | |

Those examiners who could not submit their acceptance in time are also requested to report to the concerned Head Examiner for participation in the Group Discussion Session and evaluation process.

Sd/- Ch. Biren Singh
Secretary,
Council of Hr.Sec.Edn., Manipur
Imphal, the 25th March, 2019

HL-B/5305/27